### ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# সাউদি অরাবিয়ানা মেসিগী গোল হন্দোক্তুনা অর্জেন্টিনাবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে



কটার,নভেম্বর ২২(এজেন্সী): সাউদি অরাবিয়াগী অনীশুবা হাফতা চনখিবা গোল অনীগী মতেংনা লিওনেল মেসিগী গোল হন্দোক্তুনা ২-১দা ঙসি লুসেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীদুনা অর্জেন্টিনাবু ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২ কেম্প্যেনগী হৌরকপদা চাওনা নীংহন্নবা পোকহনখ্রে।

মেটচ অসিগী শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ রেফরিনা অর্জেন্টিনাগী ফেভরদা পীখিবা পেনাল্টি অমা মেসিনা শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা গোল ওন্থোক্তুনা ঙন্না সাউদি অরাবিয়াবু ১-০দা লীদ তৌখি।

স্পোট কিক্ গোল অদুনা মেসিবু তোঙান-তোঙানবা ৱর্ল্ড কপ ৪দা গোল চনবা ঙম্বা অর্জেন্টিনাগী অহানবা শান্নরোয় ওইবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফতা সালেহ অল-শেহরি অমদি সালেম অল-দোসারিনা নাইতোম চনখিবা ফজবা গোলশিংগী মতেংনা সাউদি অরাবিয়ানা অর্জেন্টিনাবু ২-১দা মাংজিল থাখি।

অল-শেহরিনা অনেম্বা শোট অমা শান্নবগী ৪৮ শুবা মিনটতা গোল ওন্থোকখি। অদুগা অল-দোসারিনা পেনাল্টি বোক্স মতোন্দগী শাফূ কন্না কাওশিল্লকখিবা বোল অমা শান্নবগী ৫৩ শুবা মিনটতা গোল ওন্থোক্তুনা অর্জেন্টিনাবু অৱাবা নংহনখিবনি।

ঙসি মেটচ রিজল্ট অসিনা ইটলিদা পাঙথোকখিবা মমাংগী ইন্টরনেসনল রেকোর্দতা অর্জেন্টিনানা গেম ৩৭ শান্নবগী মনুংদা ৩৬ মায়থীদনা লাকপগী লমজেল লেপহনখ্রে।

অমরোমদা, ঙসি নোংয়াই মতুংদা অহমদ বিন অলি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ভেটরান ষ্ট্রাইকর গেরেথ বেলনা অথেংবদা চনখিবা পেনাল্টিগী মতেংনা ৱেলসনা য়ু এস এগা ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

য়ু এস এগী টিমোথি ৱিনা অহানবা হাফকী শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা ওপনিং গোল চনশিন্দুনা ৱেলসপু ১-০দা লীদ তৌখি।

মেটচ লোইরমদাই গেরেদ বেলনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা য়ু এসকী দিফেন্দর টিম রিমনা ১৮ য়ার্দ বোক্স মনুংদা ফাউল তৌরুবদগী রেফরিনা ৱেলসকী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখি। স্পোটকিক্অদু গেরেথ বেলনা শান্নবগী ৮২ শুবা মিনটতা গোল ওন্থোক্তুনা ইক্কেলাইজ গোল চনবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, এদ্যুকেসন সিটি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচতা দেনমার্ক অমদি টুনিসিয়া গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

অতোপ্পা ষ্টেদিয়ম ৯৭৪দা গ্রুপ সীগী ওইনা শান্নখিবা মেটচ অমদা মেক্সিকো অমদি পোলেন্দ ০-০দা দ্রো ওইখ্রে।

**TODAY'S MATCHES**

| | | |
|---|---|---|
| GRP-F - | Morocco vs Croatia | (3:30 PM) |
| GRP-E - | Germany vs Japan | (6:30 PM) |
| GRP-E - | Spain vs Costa Rica | (9:30 PM) |
| GRP-F - | Belgium vs Canada | (12:30 AM) |

### অহানবা চীফ মিনিষ্টর সগোল কাংজৈ চেম্পিয়নশিপ

# মণিপুর পুলিস অমদি তেন্থা ক্লব সেমী চঙখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ২২(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন (এম্পা)না শীন্দুনা কংলাগী মনুং কাংজৈবুংদা চথরিবা অহানবা চীফ মিনিষ্টর সগোল কাংজৈ চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা মণিপুর পুলিস পোলো টিম অমদি তেন্থা পোলো ক্লব সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মণিপুর পুলিস পোলো টিমনা ক্রিপসা পোলো ক্লবপু লাকচনা ৪১-৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

পুলিস টিমগী গোলশিং অদু হৈক্রুজম অবুং খুমননা ২৬, সলাম অবুংচানা ৪, থাংজম রঞ্জিৎনা ৩ অদুগা এস বিমোল, থৌদাম রোমেন, ওইনাম সুরেশ অমদি তেন্সুবম রোশননা ২/২ চনখি। ক্রিপসাগী গোল ৪ অদুনা হাওবিজম রেনিসননা ২ অদুগা কাব্রাবম ভিক্টর অমদি লিসম ওলেম্পসনা অমমম্ চনখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা তেন্থা পোলো ক্লবনা লমন সগোল ক্লবপু ১৬-৯দা মায়থীবা পীখ্রে।

তেন্থা ক্লবকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু খুন্দ্রাকপম তোম্বীনা ৫, সোইবম সোভানা ৪, সোইবম রঞ্জিৎনা ৩, হৈগ্রুজম মুহিন্দ্রোনা ২ অদুগা মোইরাংথেম তোম্বা অমদি লাইশ্রম রবিকান্তনা অমমম্ চনখি। লমন ক্লবকী গোলশিং অদুনা ওইনাম চিংলেনসনানা ৪, অকোইজম ইবোমচা অমদি মোইরাংথেম দেবচন্দ্রনা ২/২, অবুং মৈতৈ অবুজমনা ১ চনখি।

# গোল্ড মেদলিষ্ট হোলিনাবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল,নভেম্বর ২২(ঐচএনএস): মেঘলায়ানা য়ূম্বু ওইদুনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ২শুবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমসকী ৱেথলিফটিং মশান্নগী কেজি ৫৭ মখাগী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌরকখিবী হোলিনা নিংথৌজমবু ইন্টরনেসনল স্কুল ওফ রিছোর্সেসগী ষ্টাফ মেম্বর অমদি মহৈরোয়শিংনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মহাক স্কুল অসিদা ক্লাস ইলেভেনে সাইন্সতা তম্লিবী মহৈরোয়নি। মহাক নিংঙোমথোং কিটনা পানুংদগী এন শ্যামকুমার অমদি সুনিতাগী মচানুপীনি।

### মণি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

# সলাতুরগী গোলনা টি এস এফ এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ২২(ঐচএনএস): সলাতুরনা চনখিবা গোল ৪ অদুগা তাজ খান, অরাস খান, বোরিশ, তেলেম্বা অমদি স্বামিনা চনখিবা গোল অমমম্গী মতেংনা টি এস এফ এ তোপ সিফাইনা ৱাই এ সী য়ুরেম্বমবু লাকচনা ৯-০দা চথরিবা মণি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা রেফরি টি হেমন্তনা সলাতুর অমদি মহাক্কী টিমমেট ইমরান খানবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাফা ৱাঙ্গোইনা এম এস সী মালোমবু ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাঙ্গোই টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু টি ঐচ রোবর্টনা ২ অদুগা এস নরেন্দ্র, পি মোন্টে কার্লো, এম দি সলমান অমদি এস এরিএলনা অমমম্ চনখি।

# জয়স্বামি, লায়ন পূক্লিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ২২(ঐচএনএস): ন্যু দেল্লীগী টলকাটোরা ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৭ অমদি ১৮দা পাঙথোকখিবা মিষ্টর ৱর্ল্ড বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা সিলভর মেদল লৌরকখিবা এল জয়স্বামি, ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখিবা নিংথৌজম লায়ন অমদি সলাই ফিটনেস জিমগী কোচ বিয়াস এলাংবমবু চেরাপুর য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লব (সী ৱাই দি সী) খাঙবোক পার্ট-৩না শীন্দুনা ক্লবকী গ্রাউন্দদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

জয়স্বামি খাঙবোক পার্ট-৩ চেরাপুরদগীনি। অদুগা লায়ন খাঙবোক পার্ট-৩ লাইপাৎ লৈকাইদগীনি।

থৌরমগা মরী লৈননা শান্নরোয় ২ অমদি কোচতা অচম্বা খূদোল পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি। সী ৱাই দি সীগী সেক্রেটরি খুন্দ্রাকপম সোমেশনা ফোঙদোকখিবদা, ক্লব অসিনা খুঙ্গং অসিদা এদ্যুকেসন অমদি স্পোর্টসতা অহোংবা কয়া পুরক্লবা হোৎনদুনা লাক্লি হায়খি।

# কেন্দিদেট ২৪ খনখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ২২(ঐচএনএস): কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা থা অসিগী ২৬তগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এ আই এফ এফ ঈ-সর্টিফিকেট কোর্সতা শরুক য়ানবা দি এফ এ থৌবালগী কেন্দিদেট ২৪ খনখ্রে।

# বি এম এক্স ফ্রী ষ্টাইল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ২২(ঐচএনএস): ষ্টেট অসিনা য়ূম্বু ওইদুনা নেসনল লেভেল বি এম এক্স ফ্রী ষ্টাইল চেম্পিয়নশিপ ২০২২ ইম্ফাল ইষ্টকী হট্টা কাংজৈবুংদা থা অসিগী ২৬তগী ২৮ ফাওবা অদুগা মাউন্টেন বাইক দাউন হিল চেম্পিয়নশিপ ২০২২ থাংমৈবন্দগী চৈরাও চীংদা থা অসিগী ২৫দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অনী অসিগী এন্ট্রি ফীনা লুপা ৩,৫০০ ওইগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক উমানন্দ ইরোম (৯৩৬২৬৫৮৭৯৯)দা পাউ ফাওরক্কবা খঙহনল্লক্লি।

# ইন্টর কোলেজ শুটিং

ইম্ফাল,নভেম্বর ২২(ঐচএনএস): রিজনেল কোলেজ লিলোং চজিংনা শীন্দুনা এম য়ু ইন্টর কোলেজ শুটিং চেম্পিয়নশিপ দিসেম্বর ৯দা পাঙথোক্লগনি।

ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না দিসেম্বর ৬ ফাওবা ওইগনি হায়রি।




Regd. No.: KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

SANGAI TUTORIAL

Kwakeithel near Imphal College,Imphal

ADMISSION OPEN

REVISION COURSE for & FOUNDATION COURSE for

CLASS -X (BOSEM) 5th December, 2022 3/4:00pm

CLASS -IX & X (BOSEM) 8th December, 2022 3/4:00pm

Our Position Holders of HSLC Exam 2022

1st POSITION Laishram Rahul

3rd POSITION Meneka Huidrom

8th POSITION Moirangthem Rex Singh

18th POSITION Chingakham Italy Meitei

Form available at:

1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.

2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm-7:30pm)

7005517081

7085521821

HL-P/4575/1-30/11


### ১৪শুবা মণিপুর ইন্টরনেসনল পোলো হৌদোকখ্রে

# য়ুনাইটেদ কিংদমনা ইন্দিয়ন নেভিবু অহৌবা মেটচতা নৈথৎখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ২২(ঐচএনএস): মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা ১৪শুবা মণিপুর ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচতা য়ুনাইটেদ কিংদমনা ইন্দিয়ন নেভি পোলো টিমবু লাকচনা ১৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়ু কেনা অহানবা চক্কর হৌরকপদগী খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা ফিল্ড সেলরনা শান্নবা হৌরকপগী ০.৪৭তা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ১.১০দা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

ফিল্ড সেলরনা মখা তানা অনীশুবা চক্করদা গোল ৩ অমদি মরিশুবা চক্করদা গোল ১ পূন্না গোল ৪ অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

জেক টক্করনা অহানবা চক্করগী শান্নবগী ৩.৪৩দা য়ু কেগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অহুমশুবা চক্করদা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। হেরি টক্করনা অহানবা চক্করগী শান্নবগী ৪.০৩ অমদি ৬.৪২দা য়ু কেগী ৪শুবা অমদি ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অরোইবা চক্করদা গোল ৩ অমগা হাপচিনবা ঙমখিবনি।

টিম কেপ্টেন জোর্জ এমোরনা অনীশুবা চক্করদা গোল ২ অমদি অহুমশুবা চক্করদা গোল ১ পূন্না গোল ৩ চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা মেজর অমন সিংহ অমদি টি প্রদিপকুমারনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা থৌরম মপু অদুগা মিনিষ্টর খাশিম ভাসুম অমদি মনিদকোগী চ্যেরপর্সন কে রোবিন্দ্রোনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

### মণিপুর ষ্টেট লীগ

# য়ু কে বিনা নেসু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ২২(ঐচএনএস): অম্ফানা শীন্দুনা চথরিবা ১৫ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ খোজিম ব্রদর্স (য়ু কে বি)না নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (নেসু) খুরাইবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়ু কে বিনা ঙসিগী মায় পাকপা অসি থারগা পূন্না মেটচ ৯ শান্নবদা ৪ মায় পাক্লগা ২ দ্রো ওইদুনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা টেবলগী ৩ শুবা মফমদা লৈখ্রে।

লমথিয়ানলালনা শান্নবগী ২২ শুবা মিনটতা য়ু কে বিগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। সৈমিনথাং হাওকিপনা শান্নবগী ২৯ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী য়ু কে বিগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। য়ুইথিং খোঙ্গ্রেওনা শান্নবগী ৭৪ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী নেসুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনখি।

অতোপ্পা গ্রুপ বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ট্রাও ক্বাকৈথেল অমদি দি এম রাও অৱাং সেকমাই ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

ট্রাওগী গোল অনী অদুনা নোংথোম্বম জাপেস অমদি ভিশাল রোবিদাসনা শান্নবগী ২১ অমদি ৪৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। দি এম রাওগী গোলশিং অদুনা ঙাথেম ইমর্সন মৈতৈ অমদি মহারাবম কারননা শান্নবগী ২৪ অমদি ৮৭ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

### সব-জুনিয়র নেসনল বেদমিন্টন

# মার্টিন অমদি রিশব ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ২২(ঐচএনএস): উত্তর প্রদেশকী লক্ষ্ণৌদা থা অসিগী ১৯দগী হৌদুনা চথরিবা সব-জুনিয়র নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা বোইজ দবলস অন্দর-১৩গী সেমীফাইনেল মেটচতা মার্টিন ইঙুদম অমদি রিশব ঙাঙোমগী প্যেরনা নিশান বুকিয়া অমদি অখিলেশ গোড়া সোমাগানিগী প্যেরবু ষ্ট্রেট সেট ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ষ্টেটকী শান্নরোয়শিংনা অহানবা সেটকী শান্নবদা পোইন্ট ২১-১৮দা অদুগা অনীশুবা সেটতা পোইন্ট ২১-১৬তা মায়থীবা পীখিবনি।

# ষ্টেট বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ঙসি হৌরগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ২২(ঐচএনএস): মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরিনাদা অহানবা মাষ্টর অমদি ১২শুবা সব-জুনিয়র বোইজ ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ আই জি পি, আই কে মুইভানা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোক্লগনি।

# ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ২২(ঐচএনএস): বেঙ্গলোরগী জয়ানগরদা দিসেম্বর ১৬ অমদি ১৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এম বি এ মিষ্টর ইন্দিয়া নেসনল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ানবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২৭তা সগোলবন্দ ইপু মোইরাং হনুবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না ইন্টরনেসনল নেচরেল ফিজিক এন্দ ফিটনেস গিল্ড মণিপুরনা খঙহনল্লক্লি।

ষ্টেট টিম শেম্নবগী তোঙান-তোঙানবা কেটগোরি ৮গী ট্রায়ল পাঙথোক্কনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানিংবা এথলিটশিংনা অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৯৭৭৪৭৯১৮২৪, ৯৮৫৬৪৬০২২১দা পাউ ফাওরক্কবা খঙহনল্লক্লি।


SPOKEN ENGLISH

Classes for groups and special class for only one person

For Seniors, College and University Students

■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary

Global Spoken English, Gourahari Market,

Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal

(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)


Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)

Alice Thokchom (MA English, Punjab University)

Contact Numbers: 8132904426, 9362150894

HL-B/7775/2/10,11,12/10-2/12(alt)


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 637**

Wolfgang Unzicker (2530) - Peter Dankert (2360)
FRG-ch International Munich FRG (14), 1979

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 Nf6 | 2.e5 Nd5 | 3.d4 d6 | 4.Nf3 Bg4 |
| 5.Be2 e6 | 6.O-O Be7 | 7.h3 Bh5 | 8.c4 Nb6 |
| 9.Nc3 O-O | 10.Be3 d5 | 11.b3 Nc6 | 12.c5 Nc8 |
| 13.b4 a6 | 14.Qb3 Bxf3 | 15.Bxf3 Bg5 | 16.Rad1 Bxe3 |
| 17.fxe3 Qg5 | 18.Ne2 N8e7 | 19.Nf4 Nf5 | 20.Bg4 Nce7 |
| 21.Kh2 h5 | 22.Bxf5 Nxf5 | 23.Rf3 h4 | 24.Qd3 c6 |
| 25.Rg1 Rae8 | 26.a4 a5 | 27.b5 cxb5 | 28.axb5 Ng3 |
| 29.Ne2 Ne4 | 30.Nc3... | | |

**QUESTION :**
Black to win

**Puzzle 636 Ans. :**

20. a7
*Threatening: 21. a8=Q+ Kd7 22. Ra7+ Rb7*
*23. Rxb7+*
Ra3
*Your moves:20. ...Bh6*
21. a8=Q+ Rxa8 22. Rxa8+ Kd7
*22. ...Ke7 23. Ra7+ Ke8*
*23. ...Kd8*
0-1


LOAN AVAILABLE

( No-Downpayment )

8 Lacs ফাওবগী মনুংদা লৈবা any Vehicles - Eco Van, Diesel Auto, Petrol Auto, Battery Auto, Cars and any two wheelers নচিংবগী ওইনা 100% finance without downpayment দা Loan লৌবগী খূদোংচাবা L.G. Motors Branch Office :- Thoubal, Kakching, Samurou, Nambol, Moirang, Sekmai অমসুং H.Q. (Khagempalli) দগী ফংবীগনি।

N.B. :- Kakching, Thoubal, Moirang, Nambol, Sekmai অমসুং Samurou গী ওইনা Office Asst. 2/2 অমসুং Gr-IV/Helper 2/2 পামজৈ।

# Samurou গী ওইনা Car Wash Helper/ Mechanic Helper 2/2 পামজৈ।

Sd/- L.G. Motors
Khagempalli, Imphal West
# 9774495994 / # 8731978490

HL-B/7893/21,23


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com